# যুক্রেন আর্মিগী হেলিকোপ্টর কাপথখ্রে



**কিয়েব, মে ২৯ :** যুক্রেনগী নোংপোক থংবা মফমশিংদা ইরাং হৌরিবা প্রো রুশিয়ান রিবেলশিংনা যুক্রেন আর্মিগী হেলিকোপ্টর অমা স্লোভিয়ানস্ক মনাক্তা কাপথবদগী মীওই ১৪ শিরে হায়না থবক্তগী পোথারগদবা প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

যুক্রেনগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরকখিবা ওলেক্সান্দর টুর্চিনোবনা হায়বদা, হেলিকোপ্টর কাপথখ্রিবা রিবেলশিং অদুনা রুশিয়ানা শাবা এন্টি এয়ারক্রাফ্ট সিষ্টেম শিজিন্নখি হায়বগা লোয়ননা সিভিলশিংগী মরক্তা সেনিয়ার জেনরেল অমা য়াওখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চয়োল খরসিদা স্লোভিয়ানস্ক টাউন অসিদা গর্ভর্নমেন্ট ফোর্সশিং অমদি সেপরেটিষ্টশিংগী মরক্তা কন্না খুৎ থোক্লবগী থৌদোক খরসু থোকখিবনি।

মীখলদা মায় পাক্লুনা প্রসিদেন্টকী থৌ পুরবা পেট্রো পোরোসেনকোনা লৈবাক অসিগী নোংপোকলোমদা 'গুন্দা' তৌরিবা সেপরেটিষ্টশিং লাকশিনগনি হায়নসু ৱাশকখ্রে। লমদম অসিদগী বি বি সি গী পাউমী অমনা হায়রকপদা, হৌজিক হৌজিক সেপরেটিষ্টশিংগী মথক্তা অকনবা লাঞ্জং চংশিল্লিবা যুক্রেন লান্মীশিংদা ঙসিগী থৌদোক অসিনা অচৌবা চৈফু অমা পীরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি কাপথখিবা হেলিকোপ্টর অদু মিলিটরি বেজ অমদা লান্মীশিং থাদরুরবা মতুংদা স্লোভিয়ানস্ক অমদি ক্রামাটোর্স্ক অনিগী মরক্তা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমগী মরক্তা কাপথখিবনি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

টুর্চিনোবনা হায়বদা শিখিবা মীওই ১৪ গী মনুংদা যুক্রেনগী নেসনেল গার্দশিংদা অখন্নবা ট্রেনিং পীবগী মকোক ওইবা জেনরেল সেরহি কুলকিটস্কিসু য়াওখ্রে হায়বগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা গর্ভর্নমেন্ট ফোর্সশিংদা থৌদোক অসিনা খ্বাইদগী চাউনা মাংজবা থোকহনবা থৌদোক ওইরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি মমাংগী চয়োলদসু দোনেটস্ক মনাক্তা লৈবা আর্মি চ্যেক পোইন্ট অমদা রিবেলশিংনা চথরকপা এটেক অমদা য়ামদ্রবদা লান্মী ১৪ শিখিবনি। থাসিগী হৌরকপদসু সেপরেটিষ্টশিংনা স্লোভিয়ানস্ক মনাক্তা আর্মি হেলিকোপ্টর অনি কাপথখিবদা পাইলোট অমগা সার্ভিসমেন অমগা পুন্সি মাংখিবনি।

অমরোমদা হৌখিবা নোংমাইহিজিংদা পাঙথোকখিবা মীখল মতুংদা পোরোসেনকোনা সেপরেটিষ্টশিং অসিবু যুক্রেনগী নোংপোক থংবা মফমশিংদা 'গুন্দাগী লৈবাক' অমা শেম্নবা হোৎনবা টেরোরিষ্ট ঙাক্তনি হায়খিবনি। সেপরেটিষ্টশিংবু শোয়দনমক্কী লাকশিনগনি হায়নসু মহাক্না অচেৎপা ৱাফম ফোঙদোকখিবনি।

চৈরকসিদা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকসু নোংমা নিনিসিদা কনশিল্লক্লি। রিবেলশিংনা হায়বদদি মখোয়গী ফাইটর ১০০ রোম চৎখিবা নিংথৌকাবদা দোনেটস্ক এয়ারপোর্ট লৌশিন্নবা হোৎনবদা শিখ্রবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নুমিৎ অদুমক্তদা প্রো রুশিয়ান মিলিসিয়াশিংনা ইন্টরনেসনেল মোনিটর ওইনা থবক তৌবা মীওই মরি ফাজিনখিবনি। দেনমার্ক, এষ্টোনিয়া, টর্কি অমদি স্বিজরলেন্দগী মচাশিং ওইবা মেম্বর মরিনা শাবা মোনিটরশিং অদু ওর্গনাইজেসন ফোর সিক্যুরিটি এন্দ কোওপরেসন ইন যুরোপ হায়বা লুপ অসিগী মেম্বর ঙাক্তনি।

মশানা স্লোভিয়ানস্কী মেয়োরনি হায়না লাউথোকচখিবা ব্যাচেস্লাভ পোনোমেরিয়োবনা হায়খিবদা, ফাজিনখিবা মীওই মরিমক অশোয় অঙাম য়াওদনা নুংঙাইনা লৈরি হায়বগা লোয়ননা মখোয়বু অথুবা মতমদা থাদোক্লবা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখ্রবনি।

নীংশিংবা য়াবদি হৌখিবা মে ১১ দা সেপরেটিষ্টশিংনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা রিফরেন্দম অদুগী মতুংদগী প্রো রুশিয়ান রিবেলশিংনা দোনেটস্ক অমদি লুহানস্ক লমদমশিং অসি যুক্রেন্দগী নিংতম্লে হায়না লাউথোকখ্রবনি।

# 'বোকো হারামগী মথক্তা চপ চানা লান চংশিল্লগনি'

**অবুজা, মে ২৯ :** নাইজেরিয়া মনুংদা ইস্লামিষ্ট লৈবাক অমা শেম্নবা হোৎনরিবা বোকো হারাম মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা 'ফুল-স্কেল ওপরেসন' অমা চথনবা মহাক্না ওর্দর পীরে হায়না নাইজেরিয়াগী প্রসিদেন্ট গুদ লক জোনাথন্না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



ইস্লামিষ্ট লালহৌলুপ অসিনা ফাজিনখ্রবা স্কুল তম্লিবা নুপীমচা ২১৯ গী মমা মপা ওইবশিংদা প্রসিদেন্ট অসিনা মখোয়গী অঙাংশিং অদু থাদোকহল্লগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবসু পীখ্রে।

নাইজেরিয়াগী দিমোক্রেসি ডে থৌরম পাঙথোকপদা প্রসিদেন্ট অসিনা মীয়ামদা হায়খিবদা, আইনগী মখাদা মথৌ তাবা অরৈবা উপায় পুন্নমক শিজিন্নবা মহাক্কী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা ওথোরাইজেসন পীরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

টি ভি দা ৱা ঙাংলদুনা প্রসিদেন্ট অসিনা হায়খিবদা, ঐহাক্না লৈবাক অসিগী দিমোক্রেসি ঙাক্লবা চেৎনা লেপ্লি। টেরোরিজমগী মায়োক্তা চপ চাবা লান অমা চংশিন্দুনা লৈবাক অসিগী লিংজেল মান্নবা অমদি রাজনীতিগী তংদু-লৈতাবা ফিভম শোয়দনা ঙাক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অদুবু চংশিনগদৌরিবা লাঞ্জং অসিনা ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি লৈরিবা অৱাং নোংপোক থংবা মফমশিংদা করি ওইহল্লকপা য়াবগে হায়বদুদি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি হায়বগা লোয়ননা নাইজেরিয়াগী ফোর্সশিংসু মতম শাংনা মিলিটেন্টশিং মায়োক্লবদা চোকথবা ফাওরক্লবনি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি, নাইজেরিয়াগী যুম্লোন্নবা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংসু য়াওনা পেরিসতা পাঙথোকখিবা মীটিং অমদা 'চপ চাবা লান' হায়বা ৱাফমসি চাদকী প্রসিদেন্ট ইদ্রিষ্ট দবিনা পনখিবনি।

ৱাহে অসিমক শিজিন্নরদুনা নাইজেরিয়াগী প্রসিদেন্ট জোনাথননা হায়খিবদা, তাকু-তরাংশিং অসি শোয়দনা তান্থোক্কনি হায়না ঐনা থাজবা পীরিবসিনি। মসি অহিং অমদা হেক্তমক ঙমগদবদি নত্তে। অদুবু ঙম্নবা হোৎনবদা ঐখোয়না অঙম্বা শক্তি অমত্তা অখাকপা লৈরোই হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

নাইজেরিয়াদা লান্মীগী লৈঙাক লোয়শিনখিবগী ১৫শুবা নীংশিং কুমওন থৌরমদা প্রসিদেন্ট জোনাথননা হায়খিবদা, নাইজেরিয়াগী দেমোক্রেটিক ওইবা লৈঙাক্কী ওইজবশিং অদু ইন্টরনেসনেল টেরোরিজম্না শোকহনবা হৌরক্লে হায়নসু থমখি।

নীংশিংবা য়াবদি, নাইজেরিয়াদা ইস্লামিক লৈবাক অমা শেম্নবা ইং ২০০৯ দগী হৌনা মীহাৎ মীপুন য়াওবা ইন্সরজেন্সি ইরাং হৌরকখিবা বোকো হারামনা মমাং থাদা ফাজিনখিবা নুপীমচা ২০০ হেনবা অদু ওথোরিটিনা ফাজিনখিবা মখোয়গী ফাইটরশিং থাদোকপগী মহুৎ ওইনা থাদোক্কে হায়বা ৱাফম অমা মমাংদা খঙহল্লকখিবনি। অদুবু জোনাথননা হায়বদদি নাইজেরিয়া মচাশিং, যুম্লোন্নবা লৈবাকশিং অমদি মালেম খুন্নাইগী মতেংগা লোয়ননা ঐখোয়গী দিফেন্স মপাঙ্গল হেনগৎহনগনি অদুগা ঐখোয়গী নুপীমচাশিংবু টেরোরিষ্টশিংদগী মনিং তমহনগনি। লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা মপুং ফাবা লান অমা চংশিন্দুনা ঐখোয়গী লৈহাওদগী টেরোরিষ্টশিংগী খোঙফম মুথৎকনি হায়নসু প্রসিদেন্ট অসিনা ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াবদি বোকো হারামনা খ্বাইদগী কল্লিবা বোরনো, অদামাৱা অমদি যুবে হায়রিবা লমদমশিং অসিদা প্রসিদেন্ট অসিনা মমাং চহিগী মে থাদা ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি লাউথোক্লুনা অহেনবা লান্মীশিং থাজিনখিবনি।

# স্নোদেননা নুপা থোক্লবদি যু এস তা হল্লক্কদবনি : কেরি

**ৱাশিংটন, মে ২৯ :** যু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিনা ইন্টিলিজেন্স লিকর এদৱার্দ স্নোদেনবু ৱায়েল কাংলোন নাথৈদুনা চেনবা মীশক্লি হায়না শিংথাবগা লোয়ননা নুপা থোক্লবদি ময়ুম মরমদমদা হল্লক্কদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।



মহাক্না হায়খিবদা, করিগুম্বা স্নোদেননা অমেরিকাদা থাজবা থম্লবদি অমেরিকাগী ৱায়েল কাংলমদসু শেংনা থাজগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা এন বি সি না লৌবা ইন্টরভিয়ু অমদা স্নোদেননা হায়খিবদা, মহাক হৌজিক রুশিয়াদা চংজফম লৌরি। মরমদি যু এস না মহাক্কী পাসপোর্ট অদু চৎনহনখিদ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মশামক ফজনা ট্রেনিং ফংলবা স্পাই অমনি অদুবু থাক নেম্বা এনালিষ্ট অমা নত্তে হায়না ফোঙদোকখি।

ঙরাং জোন কেরিনা হায়খিবদা, লৈবাক নীংবা মীশক অমা ওইরবদি চেল্লোইদবনি। করিগুম্বা স্নোদেননা যু এস তা হল্লক্কে নিংলবদি ঙসিমক ফ্লাইট অমদা হেক্তা হল্লকপা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখি।

নেসনেল সেক্যুরিটি এজেন্সিগী হান্নগী কন্ট্রেক্তর ওইরম্বা স্নোদেনবু তৌফম খঙদ্রবা মীশক অমনি হায়না শিংথাবগা লোয়ননা মহাক্না মরৈবাক মরমদমদা চাউনা মাংজবা অমা থোকহনখ্রবা মীশক্লি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা এন বি সি ইন্টরভিয়ু অদুদা স্নোদেননা মশামক ট্রেনিং ফজনা ফংলবা স্পাই অমনি হায়বগা লোয়ননা সি আই এ অমদি এন এস এ গীদমক মহাক্না মীরৈবাকশিংদা অরোনবা স্পাই অমা ওইনা থবক কয়ামরুম পাঙথোকখি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টরভিয়ু অদুদা স্নোদেননা শেংদোকখিবা ৱাফম অমনা মহাক রুশিয়া গভর্নমেন্টকী কন্ট্রোল মখাদা থবক তৌদে হায়বগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা চহি অমরোম চংজফম লৌরকপদা মহাক্না ইন্টলিজেন্সকী মরুওইবা চেচাং অমত্তা রুশিয়াদা পীবা লৈত্রি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঐহাক রুশিয়া গভর্নমেন্টকা হিরম অমত্তদা মরী লৈনদে। ঐহাকপু রুশিয়া গভর্নমেন্টনা শৌগৎপসু লৈতে, গভর্নমেন্ট অসিদগী ঐনা শেল লৌবসু লৈতে হায়নসু যু এস টেলিভিজন নেটৱার্ক অমনা লৌবা ইহান হানবা ইন্টরভিয়ু অদুদা স্নোদেননা শেংদোকখি।

অমরোমদা হৌজিক হৌজিক মথৌদা লৈরিবা অমদি থবক্তগী পোথাখ্রবা যু এস ইন্টলিজেন্স ওফিসিয়েলশিংনা হায়বদদি রুশিয়াগী সিক্যুরিটি সার্ভিসেসনা অরোন অথুপশিং খঙদোক্লবা স্নোদেনবু চপখায়রম্লোই হায়বসি থাজবা য়াদবা ৱানি হায়না ফোঙদোক্লরি।

এন এস এ গী হান্নগী দিরেক্তর কেথ অলেকজেন্দরনা মমাং থাদা হায়খিবদসু ঐনা খনবদা মহাক হৌজিক রুশিয়ান ইন্টলিজেন্সনা শেম্মিংবা মওংদা শেম্লে হায়না ফোঙদোকখিবনি। অদুবু এন বি সি গী ব্রায়ান ৱিল্লিয়মসনা পুং ১ রোম চথখিবা ইন্টরভিয়ু অদুদা স্নোদেননা হায়খিবদা, ঐনা রুশিয়াদা করিগুম্বা অমত্তা পুদুনা চৎখিদে। মরম অসিনা মখোয়দা ঐনা পীগদবা করিমত্তা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্টরভিয়ু অদু লোয়শিল্লকপদা স্নোদেননা রুশিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনগী লৈঙাক মখাদা ফ্রিদম ওফ এক্সপ্রেসনবু লাকশিন্নবা হোৎনবা থৌওংশিংবু শন্নপ্না ক্রিটিসাইজ তৌখি। মী অমগী লন্নাই অরোনবশিং অমদি সিভিল লিবর্টিবু ইকায় খুম্নবা অমা ওইনা মশাবু শিংথাজদুনা স্নোদেননা হায়খিবদা, অসিগুম্বা হকশিংবু ঐনা ফজদবনি হায়না নীংবা থৌওং খরদা শিংনবা মফম অমদা তাশিন্দুনা লৈবা হায়বসি থোইদোক্লা নীংবা কায়নিংঙাই ওইগনি হায়নসু মহাক্না ইন্টরভিয়ু লোয়শিল্লকপদা ফোঙদোকখি।

হান্না হোং কোংদা চেল্লবা মতুংদা কোন্না মমাং চহিদা মোস্কোদা চত্তুনা চংজফম লৌখিবা স্নোদেনগী মখুত্তা অরোনবা দোক্যুমেন্ট মিলিয়ন ১.৫ রোমদি লৈরমগনি হায়নসু থাজনরি।

# হোল্লিৱুদ এক্টর ব্রেদ পিটতা খুৎ থাখিবা মী ফাখ্রে

**লোস এঞ্জেলিস, মে ২৯ :** মফম অসিদা পাঙথোকপা মেল ফিসেন্টকী প্রেমিয়র থৌরমদা শক্লাইরবা এক্টর ব্রেদ পিটকী মমায়দা কিন্না থিনখিবা মীওই অমা ফারে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।





AP / GETT

যুক্রেন মচা রিপোর্টর ভিটালি সেদ্যুকনা বেরিয়ার অমা লান্না চোংশিল্লগা ব্রেদ পিটপু হান্না কোনখি। অদুগা মমায়দা কিন্না থিনখিবনি হায়রি।

মশাগী চহি ২৫ রোমগী লেং ওইবা রিপোর্টর অসি ব্রেদ পিটকী বোদিগার্দশিংনা লৈমায়দা নমশিন্দুনা ফাখি। মদুগী মতুংদা পুলিসনা হেন্দকপ চন্দুনা পুখি হায়রি।

তানফম অদুদা ওটোগ্রাফশিংদা সাইন তৌবদা মথৌ চিল্লিবা এক্টর অসি থোইদোক্লা লুনদি শোকখিদ্রে হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

'মেলফিসেন্ট' হায়বা ফিল্ম অসি দিসনিনা ফেরি টেল অমবু অনৌবা মতমগী ষ্টাইলদা নমথোকপা অদুগা ব্রেদ পিটকী পার্টনর এঞ্জেলিনা জোলিনা ভিলেন্ট ওইনা কুম্বা ফিল্মনি।

ফিল্ম কম্পেনি অসিগী ৱাঙাংলোইনা হায়বদা, থৌদোক অসি থৌরম অদুগা য়াম্না চুন্নদবা লাইবক থিবা থৌদোক অমনি হায়বগা লোয়ননা মসিগী মরমদা লোস এঞ্জেলিস পুলিস দিপার্টমেন্টনা থিজিনবা হৌখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসকী ৱাঙাংলোই অমনা হায়বদা, পুলিসনা সেদ্যুকপু ঙরাং অহিং দোলর লিশিং ২০ পীগদবা বেল অমগা লোয়ননা কষ্টদিদা থম্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

সর্জেন্ট লিওনার্দ কান্দেরোননা পাউগী এজেন্সি অমদা হায়খিবদা সেদ্যুকপু ফাখিবা ওফিসারশিং অদুনা মহাক্কী থৌওং অদু অতম্মনা চথখিবদি মাল্লি অদুবু হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চানা লেপথোকপা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা সেদ্যুক অসি সেলেব্রিটিশিংদা অকায়বা তৌবদা মমিং লৈরবা মীশক অমসু ওইনা শক্লাইরবী ফিল্ম এক্ট্রেস অমগী স্কর্ট মখাদা পাকথরুবগী থৌদোক অমসু লৈখ্রবনি।

মমাং চহিদসু গ্রেমি এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অমদা বেষ্ট পোপ সোলো পার্ফোমেন্স মনা অমা খুৎশিন্নবগী থৌরমদা মনা ফংগদৌরিবা শক্লাইরবী শৈশকপী অমদি এক্ট্রেস জেনিফর লোপেজ অমদি পিট বুলনা ষ্টেজ য়ৌদ্রিঙৈদা সেদ্যুক্লা মাং থানা চেনশিল্লুবদগী অচৌবা ইরাং অমসু থোকখ্রবনি।

# পাকিষ্টান্দা নুঙনা থোমদুনা নুপী অমা হাৎখিবশিং চৈরাক ফংবা য়ারি

**ইস্লামাবাদ, মে ২৯ :** পাকিষ্টানগী লাহোরদা লৈবা কোর্ট অমগী মমাংমক্তদা মশাগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা নুপী অমবু নুঙনা থোমদুনা হাৎখিবা থৌদোক অদু য়ানিংঙাই শুকওই ওইদবা থৌদোক্লি হায়না পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সারিফনা ফোঙদোকখ্রে।



নুঙনা থোম্বদা য়াওখিবশিংগী মথক্তা খুদক্তা থবক লৌখৎকদবনি অদুগা ঙসিগী য়াচংবদা রিপোর্ট অমা থাগৎলক্কদবনি হায়নসু পঞ্জাব প্রোভিন্সকী চিফ মিনিষ্টরদা প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা ওর্দর পীখ্রে হায়রি।

মীরোনবা থা অহুম শুরবী ফরজানা পরবিন হায়বী নুপী অসি মশাগী ইমুং মনুংনা য়াদবা লিচৎ চৎলি হায়বগী মরালদা মীওইশিং অদুনা নুঙনা থোমদুনা হাৎখিবনি। পনবা য়াবা অমনা থৌদোক অদু পুলিসনা ইচম চম্না য়েংদুনা লৈথোকখি হায়নসু নুপী অসিগী মপুরোইবনা বি বি সি দা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অমনা পাকিষ্টান্দা চহি খুদিংগী অসিগুম্বা তমথিরবা ওনর কিল্লিং থৌদোকশিং অসি মশিং থিঙমদনা থোকই হায়রি। অদুবু নুংথিল পোবোপতা থোকপা কিনিংঙাই ওইরবা থৌদোক অসিদা আইন ঙাক্লবা লৈরিবা পুলিসশিং অমদি মীচম মীয়াম্না নুপী অদুবু কন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোকখিবদগী থৌদোকসিগী মতাংদদি পাক চাউনা পেন্দবা পোক্লুরকপনি।

ফরজানাগী মপুরোইবা মুহম্মদ ইকবালনা বি বি সি দা হায়খিবদা, নুপী অদুবু কনবীনবা ঐখোয়না মীয়ামদা কোইরাও লাওখি অদুবু কনামত্তনা তাখিদে। ঐগী মরী মতা অমনসু পুলিসকী পুক্লিং চিংশিনবীনবা মফি লৌথোকখি। অদুমকপু পুলিসনা করিমত্তা তৌখিদে। পুলিসকী লিচৎ অদু মীওইবগী মওং নত্তে হায়নসু ইকবালনা বি বি সি দা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি হায়ন-শিংনরগা লুহোংবা হায়বসিনা পাকিষ্টানগী চৎনরোল অমা ওইবগা লোয়ননা ইমুং মনুংনা য়াদবা মফমদা যুম পানবা হায়বসি কনজার্ভেটিভ ৱাখল্লোন লৈবা ইমুং কাঙলুপ খরদদি ৱাখলনা লামশিনবদা য়াদবা থৌওং অমা ওইনা লৌনরি। নুপী অদুবু নুঙনা থোমদুনা হাৎপদা য়াওখিবা মহাক্কী অপোকপা মপাদি পুলিস্তা চংজরকখ্রে অদুবু থৌদোক অদুদা য়াওখিবা অতৈ মীওইশিংদি হৌজিক ফাওবা অফা-অপুন নংবা লৈত্রি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

লোকেল পুলিস চিফ মুজাহিদ হুসেননা হায়খিবদা, ঐখোয়না মী অমা অনিদি ফারে। অদুগা অতৈগী মথক্তনা থিজিনবা হৌরে হায়না ফোঙদোকখ্রে। লাহোর সিটিগী মতাইদা লৈবা অপিকপা ইমুং অমদা পোকপী পরবিননা ইমুংনা য়াদবা মীশক অমদা লুহোংনবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়রি।


## CIPET ADMISSIONS 2014

**DIPLOMA, POST DIPLOMA, POST GRADUATE DIPLOMA PROGRAMMES**

| Title of the Course & Duration | Entry Qualification & Age Limit |
|---|---|
| Diploma in Plastics Technology (DPT) 3 Yrs. (6 Semesters) | 10th Passed<br>Age limit : 20 Yrs* |
| Diploma in Plastics Mould Technology (DPMT) 3 Yrs.(6 Sem.) | 10th Passed<br>Age limit : 20 Yrs* |
| Post Diploma in Plastics Mould Design with CAD/CAM 1 1/2 Yrs. (3 Semesters) | 3 Yrs Dip. in Mechanical, Plastics Techonology, Tool/ Production Engg ,Mechatronics,Automobile Engg,Tool & Die Making, DPMT/DPT(CIPET) or Equivalent<br>Age limit : 25 Yrs* |
| Post Graduate Diploma in Plastics Processing & Testing (PGD-PPT) 1 1/2 Yrs. (3 Semesters) | 3 Yrs Degree in Science with Chemistry as one of the subjects<br>Age limit : 25 Yrs* |
| Students Appearing & awaiting results can also apply | |

Note : Candidates can also fill and submit the application form ON LINE. The details are given in our website www. cipet.gov.in

*Age limit is relaxable upto 5 years for applicants from SC/ST category & from North Eastern States

- CIPET has an established brand equity in "Human Resource Market". CIPET graduates enjoy good reputation among plastics and allied industries in the domestic as well as international market.
- State of the art training / academic facility.
- Assistance for educational loan for deserving & meritorious candidates.
- AICTE approved Diploma, Post Diploma and Post Graduate Diploma Programs
- Seperate Hostel Facilities for Girls and Boys.

*Application form (FREE) and other details can be obtained from*

**CENTRAL INSTITUTE OF PLASTICS ENGINEERING & TECHNOLOGY (CIPET)**
Department of Chemicals & Petrochemicals, Ministry of Chemicals & Fertilizers, Govt. of India.
(An ISO 9001:2008 Certified National Institution)

**INDUSTRIAL ESTATE, TAKYELPAT, IMPHAL-795001**
Phone : 08415901941,09862027863, 08974431157, Email: cipetimtrg@gmail.com

* Last date for issue of Application Form : 18.06.2014
* Last date of Application Form submission : 18.06.2014
* Date of Joint Entrance Examination (CIPET JEE) : 13.07.2014

-june 3